# মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা চুরাচান্দপুরদা চংলগনি ঃ মালেম থোঙাম

ইম্ফাল, মার্চ ২৫(এস এন এস)ঃ মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা মফম মতম অমা হেক্কদা চুরাচান্দপুরদা চংনবা থৌরাং লোইরে হায়না সোসিয়েল এক্টিভিস্ট অমসু ওইরিবা পিছু সাইক্লিস মালেম থোঙামনা ফোঙদোরক্লে।

মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগী মতাংদা অরোইবা রারোইশিন অমা পুরক্নবা মহৌশাগুম ঐখোয় পুন্নমক নুংশি চান্না হিংমিন্নসি হায়বা রাগল্লোন পুরদুনা হৌখিবা মার্চ ১২দা বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্টকী লমাংদোং কৈথেলদগী থোঙাংশনবা হৌরকখিবা পিছু সাইক্লিং/সোসিয়েল এক্টিভিস্ট মালেম থোঙামগী পিছু সোলো রাইদ নুমিৎ মরিনি চনবদা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী জাফৌ বজারদা মণিপুর লৈঙাক্না অথিবা পীরকপদগী চাঁগী মফমশিংদা পিছু এরেয়রনেস চথবা য়াদনা লাকখি। মদুগী মতুং থা অসিগী ১৭তা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টরদা পোইন্ট ৮ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা নুমিৎ ১৫নিগী মতম থাঙ্বসু ঙসি নুমিৎ ৯ চংল্লকবা ফাওবা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মতিক চাবা পাউখুম লাকপগী মখি উবক্লা অসিনা মরম ওইদুনা মার্চ ৩১ ফাওবা ফাওবগী মনুং, মফম মতম অমতদা হেক্কা চুরাচান্দপুর ডিষ্ট্রিক্ট মনুং লানশিংদুনা পিছু এরেয়রনেস চথনবা থৌরাং লোইরে হায়না মালেম থোঙামনা অসি মণিপুর লৈঙাক্না খঙহল্লক্লি।

রাফম অসি থারাই মিরেলগী মীখুৎশিংনা মহাকপু অখন্না উনবা লাকপগী খোঙচৎ অমগা মরী লৈননা ফোঙদোরকপনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হৌজিক এপ্রিল ১দগী সেন্সস পাঙথোকপনি হায়না থৌরাং তৌরক্লিবা অসি মরম চাদে। মণিপুরদা সেন্সস পাঙথোকপা য়াদবা মতাং ওইরগনা মফম অমগা মফম অমগা চথোক চৎ শিন য়ারবা মতুং অই দি পি শিং মসা মশাগী যুমদা হংজিরবা অমসুং এন আর সি পাঙথোকপা মতুংদা সেন্সস অসি পাঙথোকপনা লৈঙাক্লা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়রি।

লৈঙাক্কী ফিরেপ অসি অথুবদা কেবিনেট অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা মণিপুর মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা পোষ্টপোন্দ তৌহন্নবা লৈঙাক্কীসু অফবা খোঙথাং ওইগনি হায়বা রাফমসু থল্লক্লি। অদুম ওইনমক মহাক্কী চুরাচান্দপুর চংবগী রাফমদি অহোংবা লৈত্রি হায়রি।

# সি আর পি এফ ২৩ য়ুনিটকী রাইজিং দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫(এস এন এস)ঃ মণিপুর অমদি নাগালেন্দ সেক্টরগী আই জি রাজেন্দ্র নরায়ন দাসনা অথৌবা মীথুংলেন ওইদুনা ১৪৩শুবা সি আর পি এফ বট্টালিয়নগী ২৩ য়ুনিটকী রাইজিং দেগী থৌরম ইম্ফালগা হেদ কার্টরদা পাঙথোকখ্রে।

লক্ষেৎপাতা লৈবা ১৪৩শুবা সি আর পি এফ বট্টালিয়নদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৈবাক মীয়ামগীমক কথোকপগী লোয়ননা মশাগী মথৌ পাঙথোকপা থরাই কথবা বট্টালিয়ন অসিগী অথৌবশিং দা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুম্নবসু উৎখি। বট্টালিয়ন অসিগী ২শুবা কমান্দেন্টকী ইন চার্জ এস ঐচ ওনমাথ চট্টরাজনা সাইনিক সমনেন পীদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বট্টালিয়ন অসিগী তোঙান-তোঙানবা এচিভমেন্টশিং অমদি ইন্টর্নেল সিক্যুরিটি অমসুং কম্যুনিটি রেলফেয়রদা লৌরকখিবা থৌদাংশিং সু অমুক হন্না পুথোক্লুনা নীংশিংখি।

লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা ষ্টৈল হাংদোক্লুনা কলচরেল প্রোগ্রামগী থৌরমসু পাঙথোকখি হায়না বট্টালিয়ন অসিগী ২শুবা কমান্দেন্ট ইন চার্জনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# বাইওমেটরেল, বাইওমেদিকেল সাইন্সকী নুমিৎ হুমনিগী নেসনেল কনফরেন্স হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫(এস এন এস)ঃ ইমর্জিং স্কিল ইন বাইওমেটরেল এন্দ বাইওমেদিকেল সাইন্সেস হায়বা হিরমদা ঙসিদগী হৌদুনা নুমিৎ হুমনি চথগদবা নেসনেল কনফরেন্স ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিনা হৌদোকখ্রে।

ধনমঞ্জুরি কম্যুনিটি কোলেজ / দি দি য়ু- কোসাল কেন্দ্র, দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি পুন্না খুৎশমদুনা লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ইন্সটিট্যুট ৮না বাইওমেটরেল এন্দ বাইওমেদিকেল সাইন্সেসকী লমদা তোঙান-তোঙানবা টোপিক কয়া পুখৎতুনা খন্ন-নৈনগদবা কনফরেন্স অসি হৌদোকপগী থৌরমদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর দৱীয় চান্দবাবু, দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী প্রিন্সিপাল প্রোফেসর ক্ষেত্রিময়ুম বিরবল, দি এম কম্যুনিটি কোলেজগী নোদেল ওফিসার প্রোফেসর এন সুবাসচন্দ্র, বাবিনা হেল্থ কেয়রগী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. টি ঐচ ধবলি অমদি জে আর গ্রুপকী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. রাকিব য়ুমখাইবমনা মরু ওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী সেন্ট্রেল হোলদা থা অসিগী ২৭ ফাওবা চথগদবা থৌরম অসিগা মরী লৈননা জোইন্ট ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি মনিসকুমার মোইরাংথেমনা হায়, কনফরেন্স অসি মপুং ওইনা বাইওমেটরেল অমদি বাইওমেদিকেল সাইন্সকী লমদা হোংলক্লিবা কয়াবু মহৈরোইশিংদা খঙহল্হৌনবা কনফরেন্স অসি পাঙথোকপনি।

কনফরেন্স অসিগী মনুং চন্না ওরেল অমদি প্রেজেন্টেসন সেসন ৮ লৈগনি। মসিগী মনুংদা মপান লমগী মমিং লৈরবা ইন্সটিট্যুট ৬তগী এক্সপার্ট কয়ানা তোঙান-তোঙানবা টোপিক কয়াদা রা ঙাংগনি। লোয়ননা ষ্টেট অসিগী এক্সপার্ট কয়া অমসু শরুক য়াগনি। মসিদা নত্তনা লমদম অসিগী মপান্দা চৎতুনা মহৈ তম্বা ঙম্দবা মহৈরোই কয়াগী খন্দুনা অমদি মহৈরোইশিংদা খুদোংচাবা অসি পীনবা পান্দম অমগা লোয়ননা কনফরেন্স অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

# মচানুপী থোকপদা সেক্স্যুয়েল এসোল্ট চথরুবা অমা জেল য়ৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫(এস এন এস)ঃ চহী নৌরিবী মচানুপী থোকপী অমদা সেক্সুয়েল এসোল্ট চথরুবা হায়বগী মরালদা পুলিসনা ফাদুনা পুলিস কষ্টদিদা লৈরকপা নুপা অমা ঙসি পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌরদুনা উইপোক চৈরাপ কোর্টতা পুথোক্লুনা মক্কু স্পেসল জজ পোস্কো থৌবালগী ইন চার্জনা চহী অসিগী এপ্রিল ৯ ফাওবা জুদিসেল কষ্টদি রিমান্দ পীথ্রে।

তাবদা তুঙ্লবা থৌদোক অসি খোঙজোম পুলিসনা কোনবা মফম অমদা থোকখিবনি। থৌদোক অসিদা চেন্নে হায়দুনা ফাগৎনবা মীওই অসি পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লোইরদুনা জুদিসিএল কষ্টদি রিমান্দ পীনবা রিমেন পুলিস ষ্টেটসন থৌবালগী টিম অমনা কোর্টতা পুথোকখিবনি।

মীওই অসি ঙসি কোর্টতা পুথোক্কনি হায়বা পাউ তাবদা হান্নবা ঙাইদুনা লৈরল্লবা খোইশাওনরবা ইমা-ইবেন অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা য়োমশিল্লকপদা কোর্ট কমপ্লেক্সতা চরাংনবা খরা অদুমক থোকখি। মরাল লৈ হায়রিবা এক্কুজ অসি কোর্ট রুমদা পুশিনবা হোৎনবদা খোইশাওনরবা মীয়ামনা য়োমশিনখি। অদুগু মশিং য়াল্লবা পুলিসকী টিম অদুনা মোথখি। অদু কোর্ট কমপ্লেক্স গীটকী ৱাংমদা তকশিন দুনা থমখি। লোয়ননা এক্কুজ ওইরবা কোর্ট বিলদিং মনুংদা চংহনবা থমখি।

খোঙজোম পুলিসনা কোনবা মফম অমদা লৈবা এক্কুজ ওইরিবা পোস্তবা মপা অসিনা ইকুই কুইরিডেঁ চহী নৌরিবী মচানুপী অসিবু ইজৎ মাংহনখ্রে হায়বা হায়দা থৌবাল রিমেন পুলিস ষ্টেসনদা ভিক্টিম অসিগী মমানা কমপ্লেন তৌরকপগী মরী লৈননা এক্কুজ ওইরিবা মীওই অসি পুলিসনা ফাখিবনি। মসিগী মতুংদা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লোইরদুনা ঙসি স্পেসল জজ পোস্কো থৌবালগী মমাং দা পুথোকখিবনি।

কোর্টনা পব্লিক প্রোসিক্যুটরগী সবমিসন তারবা মতুং থৌদোক অসিদা চেন্নে হায়রিবা মীওই অসি চহী অসিগী এপ্রিল ৯ ফাওবা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ পীখিবনি।

# অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২৫(এস এন এস)ঃ গভর্ণমেন্ট হিন্দি টিচর্স ট্রেনিং কোলেজ ইম্ফালগী হান্নগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসর মার্কন্দে রাইনা লৈখিদবদা গভর্ণমেন্ট হিন্দি টিচর্স ট্রেনিং কোলেজ এলুমনাই এসোসিএসন ইম্ফালনা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবগী থরাইনা মপুগী লৈকোন দা ইংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক থৌনিজখ্রে হায়না গভর্ণমেন্ট হিন্দি টিচর্স ট্রেনিং কোলোজ এলুমনাই এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. ৱাইখোম চিং খৈঙানবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# কোংবা লৈথোং ফাৎপগী লাইথৌ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫(এস এন এস)ঃ চহী খুদিংগী পাঙথোকপগুম চহী অসিগী ওইনসু শজিবুগী ৭নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সনা কোনুংনা শীন্দুনা কোংবা লৈথোং ফাৎপা শজিবু লৈখুন তৌবা লাইথৌ থৌরম হাওতনদা লৈবা ইনিংথৌ চরাইরোংবনা থৌ পাংবীরম্বা মফম কোংবা লৈঙাংপোকপী লাইকোন্দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অঙোম নিং থৌ পোইরৈতোন, পানা লাকপা, ফম্নাইবশিং, শঙলাকপশিং, মাইচৌ মাইবা, পেনা, অমাইবী লোইশঙ অমসুং লৈবাক মীয়ান্না শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লাইশ্রম পোইরৈতোননা হায়, হৃদক চহীগী ওইনা খুদম চাংদমশিং য়েংবদা মাইবা কোম, অঙোম কোম অমসুং পাখংবা কোমদা তিন্ত্রোকনচিংবা লৈরমখি। মসিনা কুম অসিদা অঙাংশিংদা তিনচু লাইচুবা অমসুং কুমগী মমৈদা অফবা খুদম চাংদম পীরি হায়বা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, থৌরম অসি য়াম্না মরু ওইবা থৌরম অমনি। মরমদি কুম অমগী মনুংদা করি করি খুদম চাংদম পীগদগে হায়বদু তাক্লিবনি। থৌরম অসি মতম কয়াগী মমাঙদগী পাঙথোক্তুনা লাকপা থৌরম অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

# ‘সেন্সস পাঙথোক্ত্রিঙৈদা মীতোপশিং দিপোর্ট তৌগদবনি’

ইম্ফাল, মার্চ ২৫(এস এন এস)ঃ সেন্সস পাঙথোক্লবা থৌরাং লক্লিবা অসি লেপ্লগা এন আর সি অপদেট তৌদুনা মীতোপ খন্দোক্লগা দিপোর্ট তৌনবগী থৌরাং হান্না পায়খৎকদবনি হায়না সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (সি এস ও) কংলৈপাক্লা ফোঙদোরক্লি।

ওর্গনাইজেসন অসিগী কনভেনরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এন আর সি অপদেট তৌদুনা মীতোপ খন্দোক্লগা দিপোর্ট তৌনবা থৌরাং পায়খৎলবা মতুং লমদম অসিদা সেন্সস পাঙথোকফম থোকই। নত্রবদি লমদম অসিদা নারোল দা চংশিন্দুনা লৈশিনখ্রবা মীতোপ কয়া লিগেলাইজ তৌশিনখ্রগনি। মসিনা মীতোপগী চৈথেং নংলিবা ইরমদম অসি অমুক হন্না ফিভম চাদবা মওং অমদা লৈহল্লগনি। এন আর সি অপদেট তৌদ্রিঙৈদা সেন্সস পায়খৎপা য়ারোই হায়না মীয়ামগী ওইবা অপুনবা ৱারেপ লৌনবগীদমক ১৪ সি এস ও কংলৈপাক্লা লমদম অসিগী মফম কয়াদা কোইনা চৎতুনা মীয়ামগা ৱা তান্নদুনা মীফম লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মসিগী মনুং চন্না ঙসিসু ৱাংজিং লাকপা ইনিংথৌদা ৱাংপাক্লো ৱাংজিংগা পুন্না খুৎশন্নদুনা মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা কিলগী প্রসিদেন্ট আর কে সনাহনবী, ১৪ সি এস ও কংলৈপাক্কী ভাইস চেয়ারমেন টি সনাজাওবা, ইপসাগী প্রসিদেন্ট এম বিসেশ্বর য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# ইল্লিগেল ইমিগ্রেন্টশিং ইন্দিয়ান সিটিজেন ওন্থোক্লবা হোৎনবনিঃ নেকেন

ইম্ফাল, মার্চ ২৫(এস এন এস)ঃ মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিদা য়ুমকোক অমদি মীকোক থীবগী থৌরাংলিবসি ইল্লিগেল ইমিগ্রেন্টশিংবু ইন্দিয়া সিটিজন ওন্থোক্লবা হোৎনবনি হায়না মণিপুর প্রদেস কংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সি সি)গী স্পোক্স পার্সন অমদি জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা সেরাম নেকেননা ফোঙদোরক্লি।

এপ্রিল থাদগী হৌগনি হায়দুনা থৌরাংলিবা মীকোক অমদি য়ুমকোক থীবগী থবক অসি মতাং মতম চাদে। মণিপুরদা তংদু লৈতাবা লৈত্রিবা ফাওবা য়েথোক্কদবনি।

সোসেল মেদিয়াদা মশামক্লা থাদোরকপা ভিদিও ক্লিপ অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা মহাক্লা মখা তানা হায়, হৌজিক মণিপুরদা দিসপ্লেস পার্সন কয়া অমা রিলিফ কেম্পতা লৈরি। নাকল অমরোমদনা লোন য়াদনা চংশিল্লকপা মীওই কয়া অমসু মণিপুরদা লৈরে হায়বসি ইনি দয়া লৈঙাক্লা খঙলবনি। তাঞ্জা অসিদা সেন্সস তৌবা হায়বসি ইল্লিগেল ইমিগ্রেন্টশিংবু ইন্দিয়ান সিটিজন ওন্থোক্লবা হোৎনবনি হায়খি।

করিগুম্বা মীয়ামগী অপান্বগী মায়োক্তা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নমদুনা সেন্সস তৌরবদি বি জে পি লৈঙাক অসি মণিপুর মুথুৎপা পান্বা অমদি মীতোপশিংদা ফিদা পীবা লৈঙাক অমনি হায়না লৌগনি। ময়াম পুন্নমক্লা পোলিটিকেল পার্টিগী খেন্নবা লৈতনা সেন্সস য়েথোক্লবা খোল্লাও লাওমিন্নসি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

# ‘ইরৈচাশিং মুখুৎনবা হোৎনরক্লিঙৈ চৈরক্তা মীকোক থিনবা হোৎনবা হায়বসি মীয়ামগী মায়োক্তনি’

ইম্ফাল, মার্চ ২৫(এস এন এস)ঃ মীতোপ কয়ানা শৌ শাদুনা চংশিল্লক্লগা ইরৈচাশিং মুথনবা হেৎনরক্লিঙৈ চৈরক্তা এন আর সি চৎনহন্দনা মীকোক অমদি য়ুমকোক থিনবা হোৎনরকপা হায়বসি লৈবাক মীয়ামগী অপান্বগী মায়োক্তনি। মীয়ামগী ইহুল খঙনা লৈঙাক চুকলি পায়রিবশিংনা থবক পায়খৎলু হায়না ওল মণিপুর ষ্টুটেন্স য়ুনিয়ন (এমসু)গী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি হুইদ্রোম পুন্সিবনা ফোঙদোকখ্রে।

এমসুনা রিএলাইজ টু সেভ দি ইন্দিজিনস পিপলস ওফ মণিপুর হায়বা হিরমদা লেপ্লা লৈতনা চথরক্লিবা ৪৬রক শুবা মীকপ থোকপা, থাবুম থৌরমগী একাদেমিক কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি লিলোং চজিংদা লৈবা সাউথ পোইন্ট ইংলিস স্কুল ওফ সাইন্সেস অমদি কাঞ্চিপুরদা লৈবা ইম্ফাল পব্লিক স্কুলদা পাঙথোকপা থৌরমগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, মীতোপশিংনা মণিপুরদা লাঙ্গোই চনশিনখ্রে হায়বসি ২০১১গী সেন্সস রিপোর্টতা ময়েক শেংনা খঙলবনি। অদুবু ২০২৬ অসিদদি কয়াম য়ান্না মীতোপশিং লৈশিল্লমগনি হায়বসি খল্লুবদা অকিবগী ফিভমদা লৈরিবনি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা এন আর সি চৎনহন্দুনা মীতোপশিং মশক খঙদোক্ত্রিঙৈ সেন্সস তৌগনি অমদি দিলিমিটেসন তৌশিনগনি হায়বা ইনি দয়া লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী থৌওং অসি মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা ৱারেপনি। মণিপুরদা মীতোপশিং মরমদা হলহনখো হায়বসি মতম কয়াগী মমাঙদগী এমসুনা লাউদুনা লাক্লিবা খোল্লাউনি। মসিগী খোল্লাউ অসিবু মতম মতমগী লৈঙাক্লা থওইদনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। মসিনা মীয়ামগী অনিংবা অপান্বদা অদু নাথৈদুনা থম্বনি হায়না লৌই। মপী মপা ওইবশিংনা মসি খঙনা থবক তৌগদবনি হায়খি।

স্কুল অনিদা পাঙথোকখিবা কেম্পেন অদুদা আই পি এস কাঞ্চিপুরগী ফাউন্দর প্রন্সিপাল অসেম কেনেদি, সাউথ পোইন্ট ইংলিস স্কুল ওফ সাইন্সগী হেদ মাষ্টর ইন চার্জ বিমোল থৌনাওজম অমদি মহৈরোইশিং শরুক য়াখি।

# ঙসি লাইরিকয়েংবম লৈকাইদা লিয়াংমাই কৈথেল ফমগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৫(এস এন এস)ঃ থা অসিগী ২৬কী অয়ুক পুং ৫দগী হৌদুনা ইম্ফালগী লাইরিকয়েংবম লৈকাই খুমন লম্পাক্তা লিয়াংমাই কৈথেল ফমগনি হায়না লিয়াংমাই-ইম্ফাল মার্কেট কম্মিটিনা খঙহল্লক্লি।

কম্মিটি অসিগী কো কনভেনরনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, রাইজিং এথলেটিক য়ুনিয়গা খূৎশন্ননা শীন্দুনা থা অসিগী ২৬কী অয়ুক পুং ৫দগী হৌদুনা লিয়াংমাই কৈথেল অসি হাংদোক্কদবনি। লিয়াংমাই চীংদা লমদম অসিগী য়েলহৌ চীঞ্জাকশিং থারিবা লমদমসিগী লৌমীশিং য়োকখৎনবগী পান্দমদা লিয়াংমাই কৈথেল অসি হাংদোক্কদৌরিবনি। লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিংগী মরক্তা অফবা মরী থন্নবা শেন্মীৎলোন য়োকখৎনবগীদমক কৈথেল হাংদোক্কদৌরিবা অসিদা মীয়ান্নসু পোৎ-চৈ লৈদুনা লমদম অসিগী লৌমীশিংবু শৌগৎমিন্নসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# বোম পোকখায়হল্লম্বগী মায়োক্তা মীয়ান্না ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫(এস এন এস)ঃ শকখঙদবশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খুরাই কোংপাল নিংথৌবুং লৈকায়দা লৈবা তোইজম লোকেন্দ্রগী য়ুমদা থা অসিগী ২৪গী অহিং নোংয়াইদা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি লৈকায় অসিগী মৈরা পাইবীশিংনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

খুরাই কোংপাল নিংথৌবুং লৈকায়দা ঙসি চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদু শরুক য়ারদুনা হুইদ্রোম ওংবী ধনি লৈমানা হায়, য়ুল্লক্তা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লগা অকি অখঙ পীবগী থৌওং অসি য়ানিংদে। মীচম মীয়ামদা অকি অখং পীবগী থৌওং মখা তানা চথবিগনু। বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বগী থৌওং অসি কনানা করিগীদমক চথরল্লিবনো হায়বদু মীয়ামদা শেংদোকপীয়ু। তুংদা অমুক হন্না অসিগুম্বা থৌদোক থোকহনবিগনু।

ঙসি চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা য়ুল্লক্তা বোম পোকখায়হন্দুনা মীচম মীয়াম অকিবা পীবা য়ানিংদে, বোমগী লাং থাক্তুনা মীচমদা অকি-তুজুংবা পোকহনগনু হায়না থাবা প্লে কার্দ কয়াসু শিজিন্নখি।

# রেদ আর্মি অপরাইজিং দেগা...

ঙরাংগী মখা... কংলৈপাক্কী ঙমখৈ মনুংদা শেল-থুমগী ইনফ্রাষ্টরকচর শেমদুনা, কংলৈপাক্কী ইকোনোমিবু মালেমগী থাক্তগা থাঙ্গৎপগী মহুৎতা, কংলৈপাকপু লোইচল্লবা কৈথেল (কেপ্টিভ মার্কেট) ওইনা শেমদুনা, লৈঙাক্কী খুৎশুমলদা উতাংবী ওইনা হিংবা নত্তনা, হিংবা নত্তনা, হিংবা হাইবদু ঙমজদ্রবা কং লৈচাশিংবু ইকোনোমিক বোন্দেজদা উতাংবী ওইদুনা চহী ৭৭ লোম থল্লকই। লালহৌবা নমথনবা শেন্বা নিও-কোলোনিএল এদহোক ইকোনোমি অমা কংলৈপাক্তা শেন্বদগী ইকোনোমিক ক্লাস শেন্বগা লোয়ননা কংলৈপাক্লা ইন্দিয়াগী শেন্মিৎলোন্দা য়েংলগসু ইন্টর্নেল কোলোনি ওইরে। ইরৈচাশিং মশানা শেন্থোক লৈজনবা ৱেলথ প্রদক্সনগী লন্বীদি থিংজিন্দুনা থল্লি।

কংলৈপাকপু ইন্দিয়ানা ঙল্লিঙৈ মতমদগী মখোয়গী শরুক অমনি হায়না উহন্নবা তৎনবা হোৎনরি। মালেমদা থোকখিবা নিংতম ইহৌ পুন্নমক, থবক ফংদবা নহারোলদা থবক পীখিদবগী থোকখ্রিবনি। থবক পীরবা মতমদা ইন্দিয়াদা নীংতম ইহৌ থোকখিদে হায়বসি ওইবা তাই। ইন্দিয়াগী ৱাখলদদি য়ু এসনা ভিয়েটনামিজদা থবক য়ান্না পীরল্লবদি ভিয়েটনামদা ইং তপ্পা লৈরমগনি। মখোয়গী থিসিসতি মসিনি, বৃষ্টিসনা ইন্দিয়ানশিংবু থবক য়ান্না পীদবদগী ইন্দিয়াগী নীংতম ইহৌ থোরকখিবনি। লোইলম শন্দোকপা কাংবুনা কংলৈপাক্কী কোলোনিএল ইকোনোমিবু অঙকপা ৱাহন্থোক কয়া পীদুনা কংলৈ খুন্নাইবু লোই চন্নবগী অরোনবা হুরান-লালোং চথুরি। নিংতম য়াওলশিংদা নত্তনা পাউমীশিং, মহৈরোইশিংবু ইন্দিয়াগী মায়োক্তা নীংতম ইহৌ তৌবনি হায়না মেনষ্ট্রিম পোলিটিসিয়নশিংনা মরাল শীজিল্লি। কোলোনিয়ল পোলিটিকেল এপ্রাতস অমদি নিও-কোলোনিয়ল ইকোনোমিক এপ্রাতস (লোইলমগী লৈঙাক্লোন-শেনবালোনগী খুৎলাই) অনীসিগী মতেংনা ইরমদমবু লোইচনবগী মথক্তা ১৯৫৮দগী হৌরদুনা লান্মীনা মীচমবু হাৎনিংবা হাৎপা অফস্পা ১৯৫৮ শেমদুনা লোইলমগী খ্বাইদগী অমুবা লোপুন্নমক পুশিল্লক্তুনা কংলৈ মীয়াম্বু লাক্কনবা, কিহন্ননবা সিক্যুরিটি ফোর্স লাক্ষ অমরোম শীজিন্নরিবা অসিগী মথক্তা টেরর নেটৱার্কতা ফিভম শেৎপা, শেৎতবা চুরানথাবনচিংবা লিশিং কয়া অমা লোইশিন্দুনা থল্লি। মখোয়গী মতেংনা শেল তুরৈ গান্ধি য়েকপনা ঈশিং ঈচাও ওইনা চেন্থহন্দুনা মালেমগী মাঙদা দেমোক্রেসিগী মাইখুম উৎতুনা লোইলমগী মীখল পাঙথোক্লি। মথং মথং...

# ‘মফম অমা লু-নান্না থম্বা হায়বসি খুন্দারিবা মীওইশিং অদুগী তঙাইফদবা থৌদাংনি’

ইম্ফাল, মার্চ ২৫(এস এন এস)ঃ মফম অমা লু-নান্না থম্বা হায়বসি মফম অদুদা খুন্দারিবা মীওইশিংগী চাওরবা থৌদাং লৈ হায়না ৱাল য়ুনাইটেদ য়ুথ ক্লব ৱাংখৈ অঙোম লৈকাইগী প্রসিদেন্ট তখেল্লম্বম ভুপেননা ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি ক্লব অসিনা কোনবা মফমশিংদা ঙসিদগী হৌদুনা নুমিৎ ৫নি চুপ্পা চথগদবা লম-তুশেংবগী থৌরমগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, লমদম অসিদা নোং খরা হেক চুবগা ঈশিং ঈচাও তোইনা থোরকপগী অৱাবা অমা মীয়ান্না থেংনরিবা অসি য়েংদুনা ক্লব অসিনা কোনবা মফমশিংদসু চহী অমদা ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা অনীরক মায়োক্লরিবা অসি খরদা ওইরবসু থিংবা ঙন্নবগী পান্দমদা ক্লব অসিনা কোল্লিবা মফমশিংদা লৈরিবা ঈরম নালাশিংদা ফুঞ্জিল্লিবা অমোৎ অকাইশিং শেংদোক্তুনা নীংথিনা ঈরম পীনবা হোৎনবনি। লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ান্না ইশা-ইশাগী ইমুং মনুংদা শীজিন্নবা লোইরবা পোৎলমশিং হুন্দোকপা মতমদা মফম চানা হুন্দোকপা মথৌ তাই। অচিকপা মী উদবগী তাঞ্জা লৌরগা অমোৎ অকাই মফম চাদনা হুন্দোল্লম্বা অসিনা মসিদগী থোরকপা হু চেনবা নমথিবা মনম অদুনা মখল মখা কয়াগী লায়না তিনা পোকহল্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মসিদগী কন্নবা ঐখোয় পুন্নমক ৱাখল তামিন্নবা চং ই। মসি নত্তদনা ঐগী ইমুং ফরগা লোইরে অমদি ঐগী ঐগী শোইদ্রগা লোইরে খন্দুনা খুন্নাই অসিগী য়েংদনা থবক তৌরবদি লমদম অসি লু-নান্নবা লমদম অমা ওইনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া অমা মায়োক্লদুনা লৈগনি হায়খি।

# হিন্দু, সিখ, বুধিষ্ট ফুরুপ খক্তনা সেদ্যুল...

লমায় ১গী মখা...এন ভি অঞ্জলিয়ানা ৱারেপ লৌখিবনি।

হৌখিবা চহী ২০২৫দা চিন্থদা কৌবা মীশক অমনা থাঙ্গলকখিবা পিটিসন অমগী ৱায়েল চথদুনা অন্ধ্রপ্রদেস হায় কোর্টনা ৱারেপ অসি লৌরকখিবনি। নিংশিংবা য়াবদি হৌখিবা চহী ১৯৮৫দা সুসাই অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা মরি লৈনবা কেস অমদসু সুপ্রিম কোর্টনা য়াম্না ময়েক শেংনা হায়খিবা লৈ। মদুদি করিগুম্বা মীওই অমনা খৃষ্টান লাইনিং লাইশোনদা ওল্লবা মতুং হিন্দু লাইনিং লাইশোনদা অমুক ওল্লক্লবদি সেদ্যুল কাষ্ট ষ্টেটস অমুক হন্না ফংনবা এপ্লাই তৌবা মতমদা থাজবা য়াবা চে-চাং অমদি ফুরুপ্তুনা অয়াবা অমা পীরক্কদবনি।

করিগুম্বা সেদ্যুল কাষ্টকী মনুং চন্না লৈরিবা খুদোংচাবশিং ফংনবগীদমক লৈরিবা লাইনিং লাইশোন ওন্থোক ওনশিন তৌরবদি কন্সটিট্যুসনবু নমথাক তৌবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা লৌগনি হায়খিবা লৈখ্রবনি। হৌজিক হৌজিক সুপ্রিম কোর্টকী মনুং চন্না লৈরিবা হিরম অসিগী মরি লৈনবা কেসশিংদা ১৯৫০গী ওর্দরগী মতুং ইন্না হিন্দু, সিখ অমদি বুধিষ্ট লাইনিং লাইশোন চৎপশিংগী মরক্তা সেদ্যুল কাষ্ট ফংবগী অয়াবা লৈ। অতোপ্পা লাইনিং লাইশোন্দা ওল্লবসু মখোয়না পোল্লকপা মচাশিংদা সেদ্যুল কাষ্টকী ষ্টেটস ফংবা য়ারোই। সেদ্যুল কাষ্টকী মনুং চন্দবা ফুরুপ অমগী মীওই অমনা এস টি, এস সি এক্টকী কান্নবা লৌবা য়ারোই। করিগুম্বা সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অসিগী ৱাংমদা চৎলম্বা তারবদি কন্সটিট্যুসনগী মতুং ইন্না মীওই অদুগী মথক্তা কেস থাঙ্গৎপা য়াই। লাইনিং লাইশোন ওল্লুরবা মীওই অমনা কন্সটিট্যুসননা পীবা অয়াবগী মতুং ইন্না অমুক হন্না সেদ্যুল কাষ্টকী খুদোংচাবা ফংন্নবগীদমক এপ্লাই তৌরক্লবদি মীওই অদু ফুরুপ অদুনা কদাই ফাওবা অচুম্বানো হায়বা য়েংশিল্লবা মতুংদা অয়াবা পীরক্লবা মতম খক্তদা সেদ্যুল কাষ্টকী ষ্টেটস ফংবা য়াগনি হায়রি।

# তমেংলোংদসু জেদ য়ু এফকা...

লমায় ১গী মখা... নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অদু ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবা অদুৱাইদগী হৌরগা পুং ৫ রোম লেপ্তনা কাপ্পখি হায়রি। অদুবু নাকল অনীমক্তা অশোক অপন য়াওবগী পাউদি হৌজিক ফাওবা ফংবা ঙমদ্রি।

# কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা ঙসিসু কুকি...

লমায় ১গী মখা... তাঙ্খুল নাগালোং (টি এন এল)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ওর্দর অসিগী মতাংদা টি এন এলনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা খুন্দারিবা মীচমশিংগী পূক্নিংদা ফাওরিবা অকিবশিং টি এন এলনা খঙই। লোগী ৱাংমদা লৈবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চথরক্লিবা থবক থৌরম অসিদা লো ঙাক্লা লাইসেন্স পায়দুনা লৈরিবা মীচম প্রজাশিংবু খূৎলায় থাদোক্লবা হায়রকপা অসি লাইবক থিবনি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, কুকি মিলিটেন্টশিংনা চথরক্লিবা থবক থৌরমশিং অসিদা মীৎয়েং চংলগা মখোয়গী মথক্তা এক্সন লৌখৎপগী মহুৎ মশানা মশাবু ঙাকথোকচনবা হোৎনরিবা মীচম প্রজাশিংদগী লাইসেন্স গন লৌখৎকনি হায়বা ৱাফম অসি য়াবা ঙল্লোই। ইশানা ইশা ঙাকথোকচনবা লাইসেন্স গন পায়বা হায়বসি ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন্না য়াবা থবক্লি। তংদু লৈতাবা হঞ্জিনহনবদা মীচম প্রজাশিংবু হেন্না মপাঙ্গল শোন্থহনবা হায়বসিনা হেন্না ইরাং থোক্লক্লবা মচাক ওই হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

# চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দনা ইন্দিয়াগী...

লমায় ১গী মখা... ইরাং অসিনা মরম ওইরগা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা চীফ মিনিষ্টর ফমদগী রিজাইন তৌখিদুনা মণিপুরদা প্রসিদেন্ট রুল থমদুনা লাকখিবনি। প্রসিদেন্ট রুল থল্লকখিবা চহী ১ মপুং ফানিংচিৎ মতমদা য়ুন্নাম খেমচান্দনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক অসি লাকখিবনি। অনৌবা লৈঙাক শেমখিবা মতম অদুদা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা মিনিষ্টর ৫গী ৱাশক লৌরবা মতুং মতম শাংনা পোর্টফোলিও য়েন্থোক্তনা লাকখিবনি। হান্না ৱাশক লৌখ্রবা মিনিষ্টরশিংগী পোর্টফোলিও য়েন্থোকখ্রবা মতুং ৱাৎহৌরিবা মিনিষ্টরশিং করম্বা মতমদা এক্সপান্দ তৌগদবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদনা লাকখিবনি।

# তংদু লৈতাবা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি...

লমায় ১গী মখা... কন্সটিটুয়েন্সিগী ব্রহ্মপুর নহাবমদা লৈবা মদন মোহনজী লাইশঙগী নৌনা শাবা মান্দপ শঙ্গাবগী থৌরমদা ৱাফম অসি স্পিকরনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদু শরুক য়ারদুনা স্পিকর টিঐচ সত্যব্রতনা হায়, সোসিয়েল মেদিয়াদা কনাগুম্বা খরনা অচুম-অরান খঙদনা পাউ শন্দোরকপদগী মীয়াম্বু লান্না লমজিংদুনা ইরাং থোক্লক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি। সোসিয়েল মেদিয়া হায়বসি য়াম্না কান্নাবা প্লেটফোর্ম অমনি। অদুবু অফবা চাউখৎ থৌরাংলোমদা শীজিন্নবগী মহুত্তা ফত্তবা অরানবা লম্বীদা শীজিন্নরক্লবদি মদুনা কান্নবা পীবগী মহুত্তা মাঙজবা পুরকই হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্লা খঙফম থোকই। কুমজা ২০১৭তগী হৌদুনা মণিপুরদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক শেমদুনা মীয়ামগীদমক অঙম্বা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। অদুবু কোভিদ ১৯ লায়না লায়চৎ অমদি কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌদুনা মণিপুরদা খঙহৌদনা মৈতৈ অমদি কুকি ফুরুপকী মরক্তা থোক্লিবা ইরাং অসিমক্লা ঐখোয় পুন্নমক্তা চৈথেং কয়া মায়োক্লহল্লি।

ইরাং অদুমক মখা শমথদুনা লৈরবদি ঐখোয় চাউখৎ মায়কৈদা খোঙ থাংজিনবা ৱানা থোক্কনি। মণিপুরদা মখা তানা ইরাং থোক্তনবা ঐখোয় পুন্না ৱাখল তামিন্নবা মথৌ তাই। মরম অদুনা ঐখোয় পুন্নমক্লা ৱাখল ফাথদুনা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনবদা অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৌবুকতোংবম শাগৈগী সেবারেল অহল শান্তিকুমার, ৱার্দ নম্বর ১৯গী মেম্বর থোঙাম গোবিন্দ য়াওনা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# ‘মণিপুর থুগায়বা ওইরোইদবা ঙলান্নি...

লমায় ১গী মখা... মণিপুরগী ৯শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ডা হিরা কবুইনা হায়, কবুইশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনবা ঙল্লবদি লমদম অসিদা মচোই মচোই তাদুনা লৈরিবা ফুরুপুশিংসু অমত্তা ওইনা পুনশিনবা ঙমগনি। অতোপ্পা মপান লমদগী চংশিল্লকপা মীতোপশিংনা লমদম অসিগী য়েলহৌমীখক ওইবা য়ারোই। মসিদা নত্তনা মণিপুর থুগায়নবা শীল্লকপসু য়ারোই। য়েলহৌ ফুরুপ নত্তবা মপান্দগী চংশিল্লকপা মীতোপশিংনা মণিপুরবু মচেৎ তানা থুগায়নবা থেঙ্খাং কয়াদা হোৎনদুনা লাকপা ঐখোয় পুন্নমক্লা থেংনরবা ঙাক্তনি। মণিপুরবু মচেৎ তানা থুগায়দুনা মীতোপশিংনা তোখায়বা এদমিনিষ্ট্রেসন তাল্লক্লিবা অসি ওইথোক্লরোইদবা মঙলান অমনি। য়েলহৌমী নত্তবা মলপান লমদগী চংশিল্লকপশিংনা লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংগী মফম কন্নবা হোৎনরকপা য়ারোই হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ফেদরেসন ওফ হাওমীগী প্রসিদেন্ট সাপমচা জদুমনি, কোম ট্রাইব য়ুনিয়ন ভেল্লিগী প্রসিদেন্ট এম হাওপু গোম, রিছার্স স্কোলার মুনিন্দ্রো অমসুং মেজোরখুল ভিলেজ এল্ডর পোঙ্গুই লোংমৈনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# মীতোপ মীয়ানচাশিংনা লমদম অসিগী...

লমায় ১গী মখা... মীয়ানচাশিংনা খূৎলিংবা ষ্টেট অমা ওইখ্রগনি। হৌজিক ঐখোয়গী য়েক্লবা অসি কুকি নত্তে। মপান্দগী চংশিল্লকপা লমদম অসিবু য়ৈখায় থিনগায়বা পীনবা হোৎনরিবা মীতোপ মীয়ানচাশিংনি।

মরম অদুনা লমদম অসিগী য়েলহৌমী পুন্নমক্লা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ইসু অসি মুন্না মশক খঙদুনা ৱাখল তামিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। মমাংঙৈদা পাঙথোকখিবা সেন্সসকী রিপোর্টশিং য়েংবদা চাং অমদা হেনগৎকদবা মীশিংগী চাংদগী খঙহেন হেনগৎলকপা মফমশিং য়াওবা থেংনরি। কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌদুনা থোক্লিবা ইরাং অসিদসু মীতোপ মীয়ানচা কয়া চংশিল্লক্লে হায়বা মীয়াম্না থোয়না হেন্না খঙনরবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) তৌদুনা লৈরিবা লালহৌলূপশিংগী মরক্তা মণিপুরী লোল খঙদবা কয়া অমা য়াওই হায়বসিসু মীয়াম্না উরবা মমি অমা ওইরি।

ফিভম অসিদা অমুক সেন্সস পাঙথোক্লবদি লমদম অসিবু করম্বা ফিভমদা লৈগনি হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্লা খন্থফম থোকই। ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা মীওই লীশিং কয়া মশা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিনবা ঙমদনা ঙসিসু রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবনি। মখোয়শিং অসি মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিন্দ্রিঙৈদা সেন্সস পাঙথোকপা হায়বসি মরম চাদবা ৱাফমনি হায়রি।

অমরোমদা, মীফম অদু শরুক য়াখিবা সোসিয়েল ৱার্কর রাজেন্দ্রোনা হায়, ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা হৌজিক ওইরিবা লমদম অসিগী ফিভম অসিদা সেন্সস পাঙথোকপা হায়বসি মতাং চাদ্রব্রা হায়না খল্লি। হন্দক পাঙথোকখিবা ষ্টেট এসেমব্লিদা সেন্সস পাঙথোক্ত্রিঙৈ এন আর সি চৎনহন্নবা হায়না সেন্টরদা চেরোল থাদুনা তকশিনগদ্রা খল্লম্বনি। ষ্টেট অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা সেন্সস পাঙথোক্লবদি মপান্দগী ঈশিং ঈচাওগুম চংশিল্লকপা মীতোপশিং হেন্না খূদোংচাবা ফংখিনি। মরম অদুনা লমদম অসিগী য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈ অমদি নাগা ফুরুপতা সেন্সস পাঙথোকপনা চাউনা চৈথেং লাক্কনি হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্লা খন্থফম থোকই।

অমরোমদা, ঙসি পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অদুদা মণিপুরদা সেন্সস পাঙথোক্লবা হোৎনরিবা অসি বোইকোট তৌবা, জে এফ দিনা চংশিল্লকপা খোঙজং খূদিংমক সি এ এম সিনা অমদি খুন্দ্রাকপম এ সিগী মীয়াম পূন্নমক্লা শৌগৎপা হায়বনচিংবা ৱারেপশিংসু লৌখি।